# সেন্টরনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফাইনান্সিয়েল প্রোব্লেম কোকহন্নবা তেংবাং খুদিংমক পীগনি

*-ফাইনান্স মিনিষ্টর*

*নিউ দিল্লি, জুন ৫ঃ* য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর প্রনাব মুখর্জিনা সেন্টরনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিং চাওখৎহন্নবা কন্না হোৎনরি অমসুং ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টশিংনা পায়খৎপা চাওখৎ-থৌরাংশিংদা মখা তনা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী চিফ মিনিষ্টরশিংগী মফমদা ইকোনোমিক অমসুং ফাইনান্সিয়েল চেলেঞ্জশিং কোকহন্নবগীদমক্তা সেন্টরগা পুন্না হোৎনমিন্ননবা আপিল তৌখ্রে।

চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং খোঙজেল য়াংশিনহন্নবা পান্থৈশিং পুথোক্লবগীদমক্তা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংগী চিফ মিনিষ্টরগী ওইবা অকক্লবা মীটিং অমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর প্রনাব মুখর্জিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীটিং অদুদা অসাম চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোই, মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহ, মেঘালয়াগী চিফ মিনিষ্টর মুকুল সংমা, অরুনাচল প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর নাবম তুকি, মিজোরামগী চিফ মিনিষ্টর লালথনহাওলা অমসুং নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা শরুক য়াখি। ফাইনান্স মিনিষ্টর বাধন চৌধুরিনা ত্রিপুরা ষ্টেটকী মহুৎ শিনখি।

প্রনাব মুখর্জিনা চিফ মিনিষ্টরশিংদা ৱা ঙাংবদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংদা রিছোর্স মোবিলাইজ তৌনবা পান্থৈ মরাং কায়দবা অমসুং লমিৎ-তুমিৎকী খুদোংচাদবদগী চৎথোক চৎশিন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্টতা মায়োক্নরিবা অৱাবশিং অদু সেন্টরনা মুন্না খঙই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, অসিগুম্বা শিংনবশিং অসি খঙবদগী সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা স্পেসিয়েল কেটাগোরিগী ষ্টেতস পীদুনা মশা-মশাগী শেন্মীৎলোনশিংবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা থাক মানহন্নবা হোৎনবদা তেংবাং পীনবা হোৎনরি।

অৱাং-নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা চিফ মিনিষ্টরশিংনা পুখৎনরকখিবা ইসুশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা অনিশুবা গ্রিন রিভোলুসনগী থবক পায়খৎপদগী য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্লে। অসিগুম্বা গ্রিন রিভোলুসন অসিনা মরম ওইদুনা নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা চেং পুথোকপগী চাং অসি টন মিলিয়ন ৭ য়ৌদুনা লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা চেং টন মিলিয়ন ১০০ পুথোকপা ঙম্লে। মহাক্না অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংনা শেল-থুম নিংথিনা শীজিন্নবদগী অয়াম্বনা ওভরড্রাফকী মতেং লৌনদবা উবদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মহাক্না ইনকম টেক্স ওথোরিটিশিংগী মফমদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিশিংগীদমক্তা অয়াবা পীরবা এক্সাইজ দ্যুটি হন্দোকপগী থবক অদুদা ইনকম টেক্স কোমথোক্লবা নোটিফিকেসন অমা ইসু তৌনবা খঙহনখ্রে। কনাগুম্বা ষ্টেটশিংনা কৈথেলদগী লোন লৌবা ঙমদবদগী অৱাবা মায়োক্লবা লৈরবসু সেন্টরনা লোন অদু ষ্টেটশিংগী শেল পুবা য়াবগী চাং অদুগী মনুংদা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।